# লোকদাউন মনুংদা শান্নরোইশিংনা ফিক্সরশিংদগী চেকশিন্না লৈনবা আই সি সিনা ৱানিং তৌখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি)ঃ*
ক্রিকেট মশান্নশিং মালেমগী মফম কয়াদা লোকদাউন লৈখিবদগী টুর্নামেন্ট কয়া য়ৈথোকখিবদগী শান্নরোহশিংগী ইনকম লাকপদা অচৌবা শাফু অমা পীরি। মরম অসিনা শেল য়াম্না ফংদবা শান্নরোইশিংনা ফিক্সিংগী খুদোংচাবা লৌরকপগী অকিবা লৈ হায়না হায়না ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) গী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা ক্রিকেট মশান্নশিং হৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। ইলাইট লেবেল ক্রিকেটশিং কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লাক্লি। মরম অসিনা স্পোর্টস এন্টি–করপ্সনগী চীফনা শান্নরোইশিংদা চেকশিন ৱাহৈ থম্লদুনা ফিক্সরশিং দগী লাপথোক্লবা ৱানিং তৌখ্রে।

মমাঙ থাদগী হৌরগা মেজর ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লি। পেন্দেমিক অসিনা য়াম্না শাথিবা মওংদা শোকচিল্লকপদগী ফার্ষ্ট ক্লাস, ফ্রেন্সাইজ নৎত্রগা ইন্টরনেসনেল মেটচশিং পাঙথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী এন্টি করপ্সন য়ুনিটকী চীফ এলেক্স মার্সেলনা ফোঙদোকখিবদা ফিক্সরশিংনা ক্রিমিনেলগী মওংদা চথরকপা হায়বসি মশান্না অসি শোকহল্লক্লবা থৌরাং অমনি। মখোয়না মমাঙদগী ক্রিকেটতা টার্গেট তৌরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কোভিদ–১৯না মালেমগী তোঙান–তোঙানবা ইন্টরনেসনেল অমসুং দোমেষ্টিক ক্রিকেটশিং মতম খরগী ওইনা লেপ্তুনা লাক্লি। অদুবু করপ্সন তৌবশিংদি হৌজিকসু এক্টিভ ওইদুনা লৈরি হায়না মার্সেলনা গার্জিয়ান ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। মরম অসিনা ঐখোয়না মেম্বরশিং, শান্নরোইশিং, শান্নরোইশিংগী এসোসিয়েটশিং অমসুং এজেন্টশিংগা মখা তানা থবক নীংথিনা তৌমিন্নবগী মথৌ তাই হায়না মহাক্কী ৱাফম থমখি।

মমাঙদা ইংলেন্দ পুলিসকী চীফসু ওইরম্লবা এলেক্স মার্সেলনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিম্না হৌজিক ক্রিকেট সপেন্দ তৌখিবনা ইনকম হন্দরকপা অসি মুন্না খঙই। মরম অসিনা লো পেদ প্লেয়রশিংনা ফিক্সিংগী চথবা চাং অসি হেনগনি হায়না শান্নরোইশিংনা মসিদগী চেকশিন্না লৈনবা ৱানিং তৌখিবনি।

ফিভম অসিদা ঐখোয়না করপ্সন চথরিবশিং অদু কুপ্না য়েং শিল্লি। শান্নরোইশিংনা করপ্টরশিংগা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূত্থাংদা পাউ ফাওদোক্লবা হোৎনরি। মখোয়গা মরী শাগৎনবা হোৎনরি। মখোয়না অরোইবদদি পূম্নমক মাঙ–তাকহনগনি হায়না মার্সেলনা মখা তাখি।

বোদি অসিগী মেম্বরশিংনা অরানবা মওংদা থবক চথনবগী শিল্লিবা মীওইশিং থিদোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মেম্বরশিং অমসুং শান্নরোইশিংগী নেটৱার্ক য়াম্না চাওবা মরম্না ইশুশিং অসিগী মতাংদা কুপ্না মমুৎ তানা খঙহন্নবা হোৎনরি।

ফিভম অসি মপুং ফানা লাকিশনবা ঙম্নবা অকনবা মওংদা বোদি অসিনা হোৎনরি। ফিক্সিংগী ইশু অসি মতম চানা থিহৌদ্রবদি তুংদা ক্রিকেট শান্নবদা য়াম্না অরুবা ফিভম অমদা লাক্লবা য়াই হায়না আই সি সিগী স্পোর্টস এন্টি–করপ্সনগী চীফ এলেক্স মার্সেলনা শান্নরোইশিংদা ৱানিং তৌখি।

# বোক্সিংগী নেসনেল কেম্প মথং থাদগী হৌবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে : সান্টিয়াগো নিএভা

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়ান বোক্সিংগী হায় পার্ফোমেন্স দাইরেক্টর সান্টিয়াগো নিএভানা লৈবাক অসিগী নেসনেল বোক্সিং কেম্পশিংগী শরুক খরা মথং থাদগী হৌবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী সিজন কোচ সান্টিয়াগো নিএভা মহাক্কী ফম অসি কুমজা ২০১৭ দগী পায়দুনা লাক্লি। কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্কা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী বোক্সরশিংনা মতিক চাবা ত্রেনিং চথবা ঙমদ্রগসু মখোয়না হোৎনরিবশিং অদুদা অপেনবা ফোঙদোকখি। নিএভানা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংবু তুংদা অফবা বোক্সরশিং ওইনবা হোৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওইনি।

ঐহাক্না খনবদা নেসনেল কেম্প অসি মথং থাদগী হৌবগী খুদোংচাবা লৈরগনি। বোক্সর পূম্নমক নৎত্রগসু য়ামদ্রবদা কোর গ্রুপশিংগী ওইনা পাঙথোকপা তঙাই ফদ্রে হায়না সান্টিয়াগো নিএভানা ফোঙদোকখি।

কোর গ্রুপ অসিদা টোকিও ওলেম্পিক ক্বালিফাইদ ওইখ্রবা বোক্সরশিং চল্লি। তুংদা পাঙথোক্কদবা ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াগদবা বোক্সরশিংসু কোর গ্রুপ অসিগী মনুং চল্লি। সান্টিয়াগোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেসনেল লোকদাউন অসি মে ৩ দা লোয়রগনি। মসিগী মতুং দা বোক্সিং নেসনেল কেম্প হৌনবা পান্দম থল্লি।

সান্টিয়াগো নিএভা হৌজিক পটিয়ালাদা লৈবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা লৈরিবনি। মহাক্না স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা ওনলাইন কোচিংগী ক্লাসতা লেকচর পীদুনা মথৌ য়াম্না চিন্না লৈরি।



এমেচর বোক্সিংদা ঐখোয়না অহাংবা ষ্টেদিয়মদা ফাইট তৌরি, ফেন অমত্তগী মতেং ফংদ্রি হায়না সান্টিয়াগো নিএভানা ফাগী তৌদুনা লায়খি। তশেংনা হায়রবদা মীয়াম্না চৎথোক–চৎশিন তৌবদা অথিংবা কয়া থল্লি, সেক্যুরিটিসু য়াম্না টাইদ ওইরি, মরম অসিনা চৎথোক–চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্নসু লৈঙাক্না পীরকপা গাইদলাইনশিং মপুং ফানা ইন্দুনা চৎলি হায়না নিএভানা ফোঙদোকখি।

মীওইবা হায়বসিদি হোংলকপা ফিভম খূদিংমক্তা চান্নলা লৈবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোইশিংনসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। পূম্নমক অসি থেংনদুনা মশান্নশিং অসিদি মতম পূম্নমক্তা লোয়নদুনা লৈগদবনি হায়না সান্টিয়াগোনা নিএভানা মখা তাখি।

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লৈবাক অসিগী বোক্সরশিংনা মরোমদোম ট্রেনিং চথজদুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। বোক্সরশিংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপদা মহাক্না ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা ৱারী শান্নদুনা তান্নৈ হায়না নিএভানা ফোঙদোকখি।

# টেন্নিস ষ্টার ফেদরর, নদাল অমসুং জোকোভিসনা কোরোনাভাইরস ফন্দগী মতাংদা ৱা খন্নখ্রে

*ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি)ঃ*
মালেমগী টেন্নিস ষ্টার স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর, স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা শোকহল্লবা লোৱার রেঙ্ক টেন্নিস শান্নরোইশিংদা মতেং পাঙনবা ফন্দগী মতাংদা খন্নখ্রে।



হিরম অসিগী মতাংদা সর্ভিয়াগী শান্নরোই নোবাক জোকোভিসনা ফোঙদোকখিবদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং স্পেনগী রাফেল নদালগা এ টি পি টুর্নামেন্ট পাঙথোক্তুনা মশান্না অসিগী থাক হন্থদনা লৈরিবা শান্নরোইশিংগী অৱাবদা মতেং পাঙনবা ফন্দ হেনগৎহন্নবগী ৱাফমদা খন্নখি।

অহুম্লক মেজর চেম্পিয়ন ওইখ্রবা স্বিটজরলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোই ষ্টান ৱারিনকাগা চথখিবা আই সি লাইভ সেসন্দা নোভাক জে াকোভিসকা লোৱার রেঙ্কদা লৈরিবা শান্নরোইশিংনা হৌজিক থেংনরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্নখি।

জোকোভিসনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না লোৱার রেঙ্কতা লৈরিবা শান্নরোইশিং অসিদা মতেং পাঙবদা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৩ দগী ৪.৫ ফাওবা ওইগনি। রেঙ্ক ২০০ নৎত্রগা রেঙ্ক ২৫০ দগী ৭০০ ফাওবা মতেং পাঙনবা পান্দম থল্লি।

শান্নরোইশিংনা মশা–মশানা য়ানা কন্ট্রিব্যুট তৌদুনা এ টি পিগী রিলিফ ফন্দদা মতেং পাঙলক্লবগী ৱাফম থমখি। রিলিফ ফন্দদা লাকপা শেনফমশিং অদু মোদেল অমসুং ক্রাইটেরিয়া কয়া খাইদোক্তুনা য়েন্থোক্লবগী ৱাফমসু নোভাক জে াকোভিসনা থমখি।

১৭ লক গ্রান্দ স্লাম টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা সর্ভিয়াগী শান্নরোই নোবাক জোকোভিসনা ফোঙদোকখিবদা অতেনবা মতমগী মনুংদা টোপ প্লেয়রশিংনা ফন্দ থম্নবা খঙহল্লি। করিগুম্বা ২০২০ দা ইভেন্টশিং পাঙথোক্ত্রবসু মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী প্রাইজ মনিদগী ফন্দ কন্ট্রিব্যুট তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

জোকোভিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লো রেঙ্কতা লৈরিবা শান্নরোইশিংদা মতেং য়ৌহন্নবা অখন্নবা থৌরাং তৌবা মথৌ তারে। খুদোংচাদবা মায়োক্লরিঙৈ মরকসিদা টেন্নিসকী শান্নরোইশিং পুনশিনবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। ঐখোয়না পুন্না হোৎনমিন্নদুনা রেঙ্ক ২৫০গী মখাদা লৈরিবা শান্নরোইশিংবু মপুং ফানা শৌগৎপিবা মথৌ তাই হায়না জোকোভিসনা মখা তাখি।

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্কদবা স্পোর্টিং ইভেন্ট কয়া য়ৈথোক্তুনা লাক্লি। য়ৈথোকখ্রবা ইভেন্টশিং অসিগী মনুংদা নুপা অমসুং নুপীগী টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংসু য়াওরিবনি। টেন্নিস টুর্নামেন্টশিং অসি থা অমরোমগী মমাঙদগী য়ৈথোক্তুনা লাক্লিবনি হায়রি।

# জর্মনিনা এক্সিবিসন টেন্নিসকী য়ুম্বু ওইরগনি

*বর্লিন, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি)ঃ*
ফেন য়াওদনা পাঙথোক্কদবা এক্সিবিসন টেন্নিস ইভেন্ট জর্মনিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না টেলিগ্রাফ ন্যুজ পেপরগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী লৈবাক কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা বোর্দরশিং থিংজিন্নখিবা অমসুং লোকদাউন লৈখিবদগী শান্নরোইশিং চৎথোক–চৎশিন য়াখিদবদগী প্রোফেসনেল টেন্নিসশিং হৌখিবা মার্চ থাদগী পাঙথোক্তনা লাক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না পাঙথোক্কদৌরিবা টেন্নিস পোইন্ট এক্সিবিসন সেরিজ অসিদা শান্নরোই ৮ না মেটচ ৩২ শান্নগনি। মেটচশিং অসি নুমিৎ ৪নিগী মনুংদা লোয়শিনগদবনি। লোয়নন্না মেটচ খূদিংমক হোহর গ্রেনঝাওসেনদা লৈবা বেজ টেন্নিস একাদেমীদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মতুং ইন্না মেটচ শান্নরিঙৈদা কোর্টতা শান্নরোই অনী অমসুং চেয়র অম্পয়ার অমা লৈগনি। মখোয় লোয়নমক মাস্ক উৎপকদবনি হায়রি। পাঙথোক্কদৌরিবা টেন্নিস পোইন্ট এক্সিবিসন সেরিজ অসিদা টোপ রেঙ্ক ১০০ গী মনুংদা লৈবা শান্নরোই অমত্তা য়াওরোই। ৱার্ল্ড নম্বর ১৪৩ দা লৈরিবা য়ান্নিক হানফমান অমসুং রেঙ্ক ২৩৯ দা লৈরিবা দষ্টিন ব্রাউন শরুক য়াগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# টাজিকিষ্টান লীগতা সি এস কে এ পামিরনা লোকোমোটিভপু ৩–১ দা থোইখ্রে, ইষ্টিক্লোল অমসুং খাটলোন দ্রো চৎখ্রে

*হিশোর, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি)ঃ*
টাজিকিষ্টানদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট টাজিকিষ্টান হায়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা সি এস কে এ পামিরনা লোকোমোটিভ পামিরবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, ইষ্টিক্লোল খাটলোনগা গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রবসু পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

সি এস কে এ পামির অমসুং লোকোমোটিভ পামিরনা শান্নরোইশিং লীগ মেটচ অসিগী ৬শুবা মিনিটতা সি এস কে এ পামিরগী শান্নরোই সোদিবেক গাফোরোভনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাখি।



মতম খরা অহেনবা গোল চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩০শুবা মিনিটতা গোল মাঙজিল থারিবা সি এস কে এ পামিরগী অতোপ্পা শান্নরোই ভেসিয়েভনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোত্থরিবা লোকোমোটিভ পামিরনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি। শান্নবগী ৫০শুবা হোৎনবা লেপখিদবা লোকোমোটিভ পামিরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ইসলোম জোইরোভনা গোল অমা চনশিনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৯শুবা মিনিটতা গোল মাঙজিল থারিবা সি এস কে এ পামিরগী শান্নরোই নোদিরবেক ইৱাগিমোভনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিনহনখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা গোল শোত্থরিবা লোকোমোটিভকী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি সি এস কে এনা ৩–১ দা মায় পাকখি।

টাজিকিষ্টান হায়র লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ইষ্টিক্লোল অমসুং খাটলোন গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রবসু টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক মথং তাদুনা লৈরি।

মেটচ অসিগী ৯শুবা মিনিটতা খাটলোনগী শান্নরোই পারভিজ বাকী অখুনোভনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা হেনখিবদগী ইষ্টিক্লোনগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিনবা হৌখি।

শান্নবগী ৩২শুবা মিনিটতা ইষ্টিক্লোনগী শান্নরোই এম ঝালিলোভনা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪৫শুবা মিনিটতা খাটলোনগী শান্নরোই উমারিজোন সারিপোভনা গোল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না পাঙ্গল মান্নরকখিবদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখি। গোল শোত্থরিবা ইষ্টিক্লোলগী শান্নরোইশিং চত্থরকখিবা এটেকশিং অদু খাটলোনগী দিফেন্দরশিংনা হৈ–শিংনা মায়োক্লদুনা গোল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোয়শিনখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা ৫শুবা মিনিটতা ইষ্টিক্লোনগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। গোল শোয়দনা ওইবগী খুদোংচাবা লৈরিবা পেনাল্টি কিক অদু টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা এম ঝালিলোভনা গোল ওন্থোকখিবদগী মেটচ অসি টিম অনীমক গোল ২–২ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

# খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী চেঙ য়েল্লিবা ফ্যয়ার প্রাইস শোপশিং এম এল এ না য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (এস এন এস) ঃ
খুরাই এ সিদা পি এম গরিব কলয়ান যোজনাগী মখাদা ঙসিদগী হৌদুনা চেঙ য়েল্লিবা ফ্যয়ার প্রাইস শোপশিংদা এ সি অসিগী এম এল এ, এল, সুশিন্দ্রোনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, এল সুশিন্দ্রোনা হায়, খুরাই এ সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪৩ অসিদা ফ্যয়ার প্রাইস শোপ অসি ২৭ খক লৈ। পি এম গরিব কলয়ান যোজনাগী চেঙ অসি ফ্যয়ার প্রাইস শোপশিং খক্তদা য়েংগদবনি হায়দুনা পাউতাক পীরকই। পোল্লিং অমদা মফম ৪ / ৫ থোক্না চেঙ অসি মাগী মাগী এজেন্ট অমদি সব এজেন্টশিংনা য়েল্লবা ফাওবা অৱাবা মায়োক্নে, ফয়ার প্রাইস শোপ ২৭ খক অসিদা চেঙ য়োল্লবদি প্রোব্লেম লাক্কনি হায়বা ৱাফম অসি দি সিদা কয়ারক থমখ্রবনি।

চেঙ য়েনবগী চথরিবা সিষ্টেম অসি মীয়াম নুংঙাইনৱা নৎত্রগা ৱানবরা হায়বা অসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। কাঙলোন হায়বা অসি ইনগদবনি অদুবু মদুনা মীয়াম ৱাহনবদি য়ারোই। চেঙ য়েনবগী সিষ্টেম অসি কন্দেম তৌই। মীয়ামদা অৱাবা পীরিবা অসি পামদে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা স্কিম অমদি প্রোগ্রাম কয়া নীংথিনা পায়খৎলি অদুবু স্কিমশিং অসি চৎনহল্লিবা মওং অসিনা মীয়ামদা ৱাহল্লে। ব্যুরিক্রেটসশিংনা দোক্যুমেন্টেসন তৌবা মতমদা ফজনবা হোৎনবদা মীয়াম ৱাহনবা অসি য়ানিংদে।

এ সি অসিগী ওইনা ঙসিদগী য়েনবা হৌরিবা পি এম জি কে ৱাইগী চেঙ অসি অহানবগী ওইনা নফসাগী বেনিফিস্যরিশিংদা মীওই অমদা কেজি ৫ / ৫ পীগনি। হয়েংনা কার্দ হোল্ডর নত্তবশিংদা অমুক য়েনগনি। চেঙ অসি কুমজা ২০১১ গী সেন্স–সতা য়ূম্ফম ওইরগা অমদি মদুদা চাদ ২০ হাপ্লগা পীরকপনি। মসিদা কেন্দ্র অসিগী ওইনা মীওই লিশিং ৫ হেনবগী চেঙ ৱাৎলি। কেন্দ্র অসিগী ওইনা এম এল এ, এল এ দি এফদগী ৱাৎলিবা চেঙ ক্বিন্টল ৭৭৯ অসি লৈদুনা মীয়ামদা ফংহনগনি।

অমরোমদা, চেঙ অসি মওং মরিল তাদনা য়েল্লম্বগীদমক্তা এ সি অসিগী ফ্যয়ার প্রাইস শোপ অমা চেঙ য়েনবদা অথিংবা থল্লে। এজেন্ট অমদি সব–এজেন্টশিংগা খন্নরবা মতুংদা মখা তানা চেঙ য়েলহনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ঙসি তোপ খোংনাংখোঙদা লৈবা ফ্যয়ার প্রাইস শোপ অমদা চেঙ য়েনবা মতমদা মায়কৈ অদোমগী মীয়ান্না ৱানা চেঙ লৌনবা হোৎনবদু উবদগী দি সিগী অয়াবা য়াওদ্রবসু এম এল এনা চেঙ অদু কম্যুনিটি হোলদা পুথোক্তুনা য়েলহনখি।

# ইপসানা মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (এস এন এস) ঃ
মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা অমথিরবা কোভিদ–১৯ থিংবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অহিং–নুংথিল চাবা তুম্না খঙদনা মথৌ তৌরিবশিংবু পূক্নীং থৌগৎপা ওইনা হোম দিপার্টমেন্টগী হোম গার্দ, ভি দি এফ অমদি পুলিস পার্সোনেলশিংদা ইন্টর্নেস্নেল পীছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) না হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি হেন্দ গ্লোভশিং মতেং পাঙখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিগী খূত্তাংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নরবা মতুংদা ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়, কোভিদ–১৯ থেংনবদা ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবা মেডিকেল ষ্টাফশিং, পুলিসনচিংবশিং দা মথৌ তাবা পোৎলমশিং হিদাক–লাংথক্লচিংবা অৱাৎপা লৈতনবা লৈঙাক্না থৌরাং পায়খৎপিয়ু। লোয়ননা লৈঙাক্না কোভিদ–১৯ থেংনবদা সি এস ওশিংগী অহেনবা থৌদাং মথৌ তারক্লবদি ইপসাগী মেম্বর খুদিংমক্না শরুক য়ানবা শেম শাদুনা লৈ। মীয়ান্নসু লায়না লায়চৎ অসিবু থেংনবদা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাংশিংদা সপ্পোর্ট তৌবিয়ু।

# ব্রাইটনগী ষ্টেদিয়ম কোরোনাভাইরস টেষ্টিং সেন্টর ওইরগনি

লন্দন, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি)ঃ
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াবা টিম ব্রাইটন এন্দ হোভ অলবিয়োনগী এমক্স ষ্টেদিয়মনা বৃটিশ স্পোর্টসকী ভেন্যুদা খ্বাইদগী নৌবা কোরোনাভাইরস টেষ্টিং সেন্টর ওইরগনি হায়না প্রেমিয়র লীগ ক্লব অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাওথোকখ্রে।

টোটেহাম হোটপ্লস ষ্টেদিয়ম অমসুং ইংলিশ রগবিগী হোম গ্রাউন্দ টুইকেনহামসু হান্না বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুদা নেস্নেল হেলঠ সার্ভিসকী ষ্টাফ অমসুং অতোপ্পা মরুওইবা ৱাকরশিংগী টেষ্টিং সেন্টর ওইখ্রবনি।

এমক্স ষ্টেদিয়মদা থাংজ নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা নেস্নেল হেলঠ সার্ভিস ফ্লদলাইন ৱাকর ৫০ হেনবনা মফম অসিদা উন্নবা পান্দম থমখি। অমসুং মখোয়গী টেষ্ট রিজল্ট অদু পুং ৪৮গী মনুংদা খঙবা ঙম্লগনি। নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মফম অসিদা টেষ্ট লিশিং ১ গী মথক্তা তৌরবা য়াই হায়না ব্রাইজটনগী চীফ এড্যুকেটিব পাওল বারবরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না হিরম খুদিংমক নেস্নেল হেলঠ সার্ভিস অমসুং অতোপ্পা মরুওইবা ৱাকরশিংদা মতেং পাঙনবা লুরবা মতম অসিদা লেপ্লি। ঐখোয়না হান্নসু ত্রেন্নিং গ্রাউন্দগা লোয়ননা ষ্টেদিয়মবুসু এন ঐচ এস, ইর্ম্মজেন্সি সার্ভিস অমদি লাইচৎ অসিবু লান্থেংনবদা শীজিন্নগদবশিংগীদমক থোং হাঙদুনা থমখ্রবনি হায়খি।

য়ু কে গভর্ণমেন্টনা কোভিদ–১৯ লাইচৎ শন্দোকপা থিংনবা টেষ্টিং সেন্টর মশিং হেনগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা লেপ্প্রি। বৃটেনদা হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিনা মীওই লিশিং ১৬ হেনবনা পূন্সি মাঙহনখ্রে।

প্রেমিয়র লীগ লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লেপ্পা লৈতনা শান্নবা য়ৈথোক্তুনা লাক্লি। করিগুম্বা মেটচ মখা চত্থবা তারবসু সোসিয়েল দিসটেন্সশিংগী পাউতাক মতুংইন্না মীয়াম য়াওহন্দনা পাঙথোকপা তারি।

প্রেমিয়র লীগনা লেমহৌরিবা সিজনগী মেটচ ৯২ হান্না মপুং ফান্না লোয়শিন্নবগী ন্যুট্রেন্ট ভেন্যু মফমশিংদা মেদিকেল, মেদিয়া অমদি সেক্যুরিটি পর্সনশিং মশিং হন্থরগা পাঙথোকপা য়াগদ্রা হায়বা য়েংশিনল্লি।

টেষ্টিংনা প্রেমিয়র লীগপু মপুং ফানা লোয়শিনবগী অচৌবা মরম ওইগদৌরি।

ক্রোসৱার্দ ৪৯৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | R | A | L | | S | W | E | D | E | | S | T | U | B |
| V | E | T | O | | C | A | R | O | L | | L | I | S | A |
| A | N | T | S | | A | D | I | O | S | | A | M | I | D |
| L | O | O | S | E | R | | E | R | E | C | T | I | N | G |
| | | R | E | V | S | | | | | H | E | D | G | E |
| T | E | N | S | E | | L | E | A | S | E | D | | | |
| O | R | E | | S | P | A | R | S | E | R | | A | R | M |
| G | A | Y | | | A | B | A | T | E | | | D | A | Y |
| A | S | S | | P | R | E | S | E | N | T | | O | P | T |
| | | | P | E | E | L | E | R | | E | A | R | T | H |
| S | T | A | R | T | | | | | N | A | P | A | | |
| T | I | R | E | S | O | M | E | | E | M | O | T | E | D |
| O | D | E | S | | W | E | A | V | E | | L | I | V | E |
| P | A | N | E | | E | R | R | E | D | | L | O | I | N |
| S | L | A | T | | D | E | N | T | S | | O | N | L | Y |

# রিঙ্গো লমকাঙনা চান–থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং শেল মতেং পাঙখ্রে

ককচিং, এপ্রিল ১৯ (এস এন এস) ঃ
কোভিদ–১৯ শন্দোরকপা থিংনবা চথরিবা লোকদাউনন্না মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সি) চান্দেলগী চেয়ার্মেন দি রিঙ্গো লমকাঙনা লন্নাই শেনফম পুথোক্তুনা আইহাং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা মীয়ামদা চান–থক্লবা পোৎলমশিং অমদি শেলগী মতেং পাঙখ্রে।

দি রিঙ্গো লমকাঙনা আইহাং, ন্যু চায়াং, কৈথেলমানবী, লৈঙাং চীং, কালিকালোক অমসুং পুরুম পাম্বাগী খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোক্কদবা চেঙ, আলু, তিলহৌ, থুম, ঙারি লোয়ননা খুঞ্জাশিংগী এঞ্জুং–নাপী, মনা–মশিং লৈনবা লুপা লিশিং ৫ / ৫ ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু চায়াং ভিল্লেজদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা ভিল্লেজ চীফশিং, ভিল্লেজ ওঠোরিটি মেম্বরশিংদা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি রিঙ্গো লমকাঙনা হায়, কোভিদ–১৯ শন্দোরকপা থিংনবা চথরিবা লোকদাউনন্না মরম ওইরগা চান–থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা মতেং ওইনবা ইমুং মনুংগী লৈজবা শেনফম খোমজিল্লগা আইহাং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা খুঞ্জাশিংগীদমক চান–থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাঙবনি।

ঙরাংসু খুল মরিদা চান–থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। হয়েংনা চান্দেললোমদা লৈবা আইহাং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা চানবা পোৎলমশিং খুলশিংদা য়েন্থোক্কনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী ওইনা অপুনবা মীওই ৩,৮৬,৭৯১ কোভিদ–১৯ টেষ্ট তৌখ্রে : আই সি এম আর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (এস এন এস) ঃ
লৈবাক অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩,৮৬,৭৯১ কোভিদ–১৯ গী টেষ্ট তৌখ্রে হায়না ইন্দিয়া কাউন্সিল ফোর মেদিকেল রিছার্স (আই সি এম আর) গী চীফ সাইন্টিষ্ট দা. রামন গঙ্গাখেদকারনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং খক্তদা মীওই ৩৭,১৭৩ টেষ্ট তৌখি। মসিগী মনুংদা টেষ্ট ২৯,২৮৭ দি আই সি এম আর নেটৱার্ককী লেব ১৯৪ দা তৌখি। লোয়ননা টেষ্ট ৭,৮৮৬ অমনা অতোপ্পা প্রাইভেট লেব ৮২ দা তৌখি হায়রি।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াখিবা জোইন্ট হেলঠ মিনিষ্টর লাভ অগরৱালনা হায়খি, ইন্দিয়াগী হৌজিক মীওই ১৫,৭১২ কোভিদ–১৯ কনফার্ম ওইরে। মসিগী মনুংদা চাদ ১৪.১৯ হায়বদি মীওই ২,২৩১ না নাবা ফদুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, লায়না অসিগী মতাংদা দ্রগ টেষ্ট তৌনবা অমদি হিদাক লাংথক্লচিংবগা মরী লৈনবদা মাংজিল থানা থবক তৌনবা হায় লেভেল টাক্স ফোর্স অমসু শেমখ্রে। কোভিদ–১৯গী ভেক্সিনেলন পাঙথোক্লবগীদমক বাইও টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টনা নোদেল এজেন্সি ওইরি। লায়না অসিগী মরমদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা টাক্স ফোর্স অসিনা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়রি।